# নোর্থ কোরিয়াগা মরী লৈননা য়ু এসনা খাঙবগী মতম লোইরে : মাইক পেন্স

ৱাশিংটন, এপ্রিল ১৭ :
নোর্থ কোরিয়াগা মরী লৈননা য়ু এসনা উৎলকখিবা 'ষ্ট্রেটেজিক পেসিয়েন্সকী মতম লোইরে' হায়না য়ু এসকী ভাইস-প্রসিদেন্ট মাইক পেন্সনা চেকশিন-ৱারোল ফোঙদোকখ্রে অমসুং চাইনাদা লৈবাক অসিগী থোইদোক হেন্দোকপা মওংগী ঈথিল পীবা ঙম্বগী পাঙ্গল শিজিন্নদুনা পিয়োংয়াংগী রেজিমদা প্রেসর পীদুনা ন্যুক্লিয়র অমসুং বলিষ্টিক মিসাইল প্রোগ্রামশিং থাদোকহন্নবা তকশিনখ্রে।

নিংথৌকাবা নুমিৎতা নোর্থ অমসুং সাউথ কোরিয়া অনীবু তোঙান-তোঙান্না খাইদোক্লিবা লাম্মী অমসুং খুৎশু-খুৎলায় মতিক চানা পৈশিন্দুনা লৈবা বোর্দরদা চৎপা খোঙচৎ অমগী মনুংদা পাউমীশিংদা ৱা ঙাঙলদুনা ভাইস-প্রসিদেন্টনা সাউথ কোরিয়াগী সিক্যুরিটিগী মতাংদা ৱাশিংটননা পীরিবা কম্মিটমেন্ট অসি হোংদোক হোংজিন য়াবা নত্তে হায়খি। নোর্থ কোরিয়ানা মায় পাকখিদ্রবা মিসাইল চাংয়েং অমা পাঙথোকখিবা মতুং নোংমা লৈরগা ভাইস-প্রসিদেন্ট পেন্সনা ৱাফম অসি ফোঙদোকখিবনি।

নোংমাইজিং নুমিৎকী মিসাইল চাংয়েং অদু য়ু এসনা সাইবর এটেক চথুদুনা ফেল্ল ওইহনখিবা ওইরম্বা য়াই হায়বা ৱাফম খরা ফোঙদোক্লবা লৈরিঙৈ অমসুং দোনাল্ড ট্রম্পকী চীফ সিক্যুরিটি এদভাইজরনা কোরিয়ন পেনিন্সুলাদা টেন্সন হেনগৎলক্লেহায়বা চেকশিন-ৱারোলশিং ফোঙদোকপা লৈরিঙৈদো সাউথ কোরিয়াদা য়ু এসকী ভাইস-প্রসিদেন্ট থুংখিবনি।



পেন্সনা য়ু এস মিলিটরি পার্সনেলদা ৱা ঙাঙলদুনা দিমিলিটরাইজ জোন (দি এম জেদ) তা লাকপদুদা মঙোন্দা নোল্লুকপগী ৱাখল পোকহল্লি হায়খি। কিলোমিটর মরি পাকপা লম মচেৎ অদুনা অমনা খুৎ থাবা হৌবদা নাকল অনীগী মরক্তা লাল থোক্লকপা য়াই হায়বসি নিংশিংহল্লি। কুমজা ১৯৫৩ দা ক্রুস অমনা কোরিয়াগী লাল লোইশিনখিবনি। টেক্নিকেল মিৎয়েংদা লৈবাক অনী হৌজিকসু কনফ্লিক্টকী ফীভমদা লৈরিবনি।

'ঐহাক্কী ইপা য়ু এস আর্মিদা য়াওদুনা কোরিয়ন ৱারদা শরুক য়াখি অমসুং মফম অসিদা লাকপদা নখোয়গী নিংতম্বা পুরকপদা মতেং পাংনবা ঐহাক্কী ইপানা কোরিয়ন ফোর্সশিংগা লোয়ননা লাল শোক্লমিন্নখিবা মফম খরা ঐখোয়না উবা ফংখি' হায়না কেম্প বোনিদাসতা ৱা ঙাঙলদুনা পেন্সনা হায়খি।

পেন্সনা য়ু এসকী নোর্থ ইষ্ট এসিয়াদা লৈবা অতোপ্পা মরু ওইবা মীচং ওইরিবা জপানদসু চত্তুনা মফমদুদা লৈরিবা য়ু এস অমসুং জপানগী ক্রুপশিংবু পুক্নিং থৌগৎতুনা ৱা ঙাঙগনি। নুমিৎ ১০ নিগী ওইবা এসিয়া-পেসিফিক খোঙচৎকী শরুক ওইনা মহাক লৈবাকপোকপা নুমিৎতা টোকিয়োদা চৎকনি। খোঙচৎ অসিদা মহাক ইন্দোনেসিয়া অমসুং ওষ্ট্রেলিয়াদসু য়ৌশিনগদৌরিবনি।

নোংমাইজিং নুমিৎতা পাঙথোকখিবা নোর্থ কোরিয়াগী মিসাইল লোঞ্চ ফেল্ল ওইখ্রবসু মদু প্রসিদেন্ট ট্রম্পকী ফীরেপ চাংয়েং তৌবা ওইনা লৌনখি। ট্রম্পনা নোর্থ কোরিয়াগী মথক্তা মিলিটরি এক্সন লৌখৎলোই হায়বা লৈতে হায়খিবদা নত্তনা য়ু এসকী এয়রক্রাফট কেরিয়র অমনা লুচিংবা বেট্টল গ্রুপ অমা কোরিয়ন পেনিন্সুলা তম্না থাখিবনি।

# সিরিয়াদা অলেপ্পোগী ব্লাষ্ট মতুংদা মফম মরিদগী মীয়াম হোন্দোকপগী মতম য়ৈথোকখ্রে

বৈরুট, এপ্রিল ১৭ : পোপ্যুলেসন ট্রান্সফর অমগী শরুক ওইনা নোংমাইজিং নুমিৎতা সিরিয়ন ৩,০০০ হেন্না হোংদোক্লবা লেপ্পলম্বদু মীওই ১২০ শিহনখিবা শাথিরবা সুইসাইদ ব্লাষ্ট অমা থোকখিবা মতুংদা য়ৈথোকখ্রে। ব্লাষ্ট অদুদা গভর্ণমেন্ট সপোর্টর কয়া অমসুং অঙাং কয়া শিখিবনি।

সিরিয়নশিং হোংদোকপদা থিন্থগদৌরিবদুগী মরমশিং খুদক্কী ওইনা খঙবা ঙমখিদে। ইস্লামিক ষ্টেট গ্রুপনা ইষ্টর্ন সিটিদৈর এন-জৌরগী গভর্ণমেন্টনা কন্ট্রোল তৌবা শরুকশিংদা সেলশিং কাপশিল্লকপদা এরিয়া অদুদা লৈরিবা রসিয়ন মিদিয়া দেলিগেসনগী মেম্বর অনী শোককখিবা মতুংদা মীচমশিং হোংদোকপগী মতম য়ৈথোকখিবনি হায়না ষ্টেটনা রন তৌবা সিরিয়ন ন্যুজ এজেন্সি সানানা হায়খি।

রসিয়া অসি সিরিয়ন প্রসিদেন্ট বাশর অল-অশাদকী মরু ওইবা বেক্করনি অমসুং লৈবাক অদুগী গভর্ণমেন্টনা পায়শিল্লিবা শরুকশিংদা রসিয়ন জর্নেলিষ্টশিংনা ইকোম কোম্না চঙবা অমসুং পাউ লৌবা য়াই হায়রি।

জর্নেলিষ্টশিং অদুবু থাদোক্লিবা রসিয়াগী অন্না ন্যুজগী মিলিটরি ন্যুজ সার্ভিসনা হায়খি, জর্নেলিষ্ট অমা পাম্বোমদা শোকখি অমসুং অতোপ্পা অমনা মখোঙ অমসুং থজিনদা শোকখি।

য়ুনাইটেদ নেসন্সনা ট্রান্সফর দিল অদুবু য়েংশিনদে। মদুদা চেন্নরিবশিংদি প্রো-গভর্ণমেন্ট ভিলেজশিং ওইরিবা ফৌৱা অমসুং কদায়গী রেজিদেন্টশিং অমসুং ওপোজিসননা পায়শিল্লিবা মদোয়া অমসুং জবাদানি টাউনশিংগী মীওইশিংনি। টাউন অমসুং ভিলেজ মরিমক চহী কয়ামুক গভর্ণমেন্ট ফোর্সশিংনা লাঙ্গৈই চন্দুনা থল্লকখি। মফমশিং অসিগী মীয়ামগী মরাইবক নাকল অনীমক্না চপ চানা ইন্নগদবা এগ্রীমেন্ট কয়াগা মরী লৈনখি। অমরোমদা অদুগুম্বা এগ্রীমেন্টশিংদুনা মফমশিং অদুদা তেংবাঙগী পোৎলমশিং য়ৌহনবদা অপনবা ওইহনখি হায়না য়ু এননা হায়রি।

বৃটেনদা বেজ ওইবা সিরিয়ন ওবজার্ভেটরি ফোর হ্যুমেন রাইটসকী মকোক রামি অব্দুররামন অমসুং হেজবোলাহগী অল-মানর টিভিনা মমাঙদা ফোঙদোকখিবদা, ফৌৱা অমসুং কফার্য়াদগী মীওই ৩০০০ হোন্দোক্কনি অমসুং অয়াম্বনা ফাইটরশিং ওইদুনা মীওই ২০০ রোম্না জমাদানি অমসুং মাদায়াদগী হোন্দোক্কনি হায়খিবনি।

অব্দুররামন অমসুং মাদায়াদগী ওপোজিসন এক্টিভিষ্ট হুশন মাহমৌদনা মীশিং হোন্দোকপগী থবক্তু য়ৈথোক্লে হায়খি। অব্দুররামননা থবক্তু মখা তানা চথনবগী পার্মিসন পীরক্তেহায়খি অমসুং মাহমৌদনা লোজিষ্টিক্সকী ওইবা মরম খরদগী মতম থিন্থগদৌরিবনি হায়খি।

মফম হোংগদৌরিবা মীওইশিং অদুদা থাংজ নুমিৎকী বোম্বিংদুগা মান্নবা এটেকশিং চথরকপা য়াই হায়বগী অকিবা লৈব্রা হায়বদু খুদক্কী ওইনা খঙবা ঙমখিদে।

# ব্রাজিলগী মিট স্কেন্দলদা মীওই ৬৩ গী মথক্তা মরাল শীখ্রে

ব্রসিলিয়া, এপ্রিল ১৭ :
ব্রাজিলগী ফেদরেল পুলিসনা মীওই ৬৩ মতম হেল্লবা নৎত্রগা পোৎয়ান তৌবা শদুম (মিট) য়োনবনা মপুং ওইবা থৌওং ওইবা করপসন স্কিম অমদা শরুক য়ারম্বগী মরাল শীখ্রে হায়না মিদিয়া রিপোর্ট অমনা হায়রি।

ৱাথোক অদুনা মরম ওইদুনা য়ামদ্রবদা লৈবাক ২৫ না ব্রাজিলদগী চাননবা শদুম পুশিল্লকপা নৎত্রগা লৈবা মতম খরগী ওইনা লেপ্পখি হায়না সিনহুৱা ন্যুজ এজেন্সিগী নিংথৌকাবা নুমিৎকী রিপোর্ট অমনা হায়রি।

শীরিবা মরালশিং অদুদা মেদিকেল রেকোর্দশিং অমসুং সার্টিফিকেটশিং শেমদোক-শেমজিন তৌবা, চীঙাক্কী পোত্থোকশিংগী অশেংবা মশক অমসুং ক্বালিটি মাঙহনবা, লৌতূনবা অমসুং করপসন য়াওরি।

হৌখিবা মার্চতা পুলিসনা মিটপেকিং প্লান্টশিংদা চথরিবা ইলিগল ওইবা প্রেক্টিসশিংগী মায়োক্তা 'ওপরেসন ৱিক ফ্লেস' হায়না খঙনবা ইনভেষ্টিগেসন অমা পাক শন্না পাঙথোকপা হৌখি।

ওপরেসন অদু ইন্সপেক্টরশিংদা শেল পীজদুনা পোত্থোকশিং অদুগী তারিখ শেমদোক-শেমজিন তৌবা, মিটতা ঈশিং কাপশিনবা অমসুং অতৈ হকচাং শোক্নিংঙাই ওইবা প্রেক্টিসশিং কূপশিন্নবা হোৎনখিবা গ্রুপশিংদা টার্গেট তৌখি।

স্কিম অদুদা মালেমগী খ্বাইদগী চাউবা মিট প্রদ্যুসরশিং অমসুং এক্সপোর্টরশিং ওইরিবা বি আর এফ অমসুং জে বি এস হায়বা মল্টিনেস্নেল অনী য়াওনা পুন্না মিটপেকিং প্লান্ট ২১ চেন্নখি।

# য়ু এসকী নেসনল সিক্যুরিটি এদভাইজরনা পাকিস্তানদা প্রোক্সিশিংগী মহুত্তা দিপ্লোমেসি শিজিন্নবা হায়খ্রে

ন্যু য়োর্ক, এপ্রিল ১৭ :
পাকিস্তাননা অফঘানিস্তান নৎত্রগা অতৈ মফমশিংদা মখোয়গী অনিংবা-অপাম্বা ফংনবা তৌবদা মীশি-মীনা অমসুং ঈরাং কয়া থোকহল্লিবা প্রোক্সিশিং শিজিন্নবগী মহুত্তা দিপ্লোমেসি শিজিন্নগদবনি হায়না য়ু এস নেসনল সিক্যুরিটি এদভাইজর লেফটিনেন্ট জেনরেল ঐচ আর মেকমাষ্টরনা হায়খ্রে। টেরর গ্রুপশিংদা টার্গেট তৌবদা খন্দোক-খঞ্জিন তৌবগীদমক্তা পাকিস্তানি লীদরসিপপু ক্রিটিসাইজ তৌরদুনা মহাক্না ৱাফম অসি ফোঙদোকখিবনি।



অফঘান টেলিভিজন চেন্নেল টোলো ন্যুজগী ইন্টরভিয়ু অমদা মেকমাষ্টরনা পাকিস্তানগী মতাংদা খরা হেন্না কনবা ফীরেপ অমা লৌবগী মওং উৎখি। টালিবানবু প্রোক্সি ফোর্স অমা ওইনা শিজিন্নে অমসুং গ্রুপ অসিগী লীদরশিংবু চঙজফম ফী হায়না পাকিস্তানবু মরাল শীদুনা লাকখিবনি।

'ঐখোয় খুদিংমক্না চহী কয়ামুক পাকিস্তানি লীদরশিংনা গ্রুপশিং অসিবু টার্গেট তৌবদা খন্দোক-খঞ্জিন তৌদবা হায়বসিনা মখোয়গী অফবা ওইগনি হায়বসি শোয়দনা খঙবা ঙমগনি হায়না থাজনখি হায়না লালনা শোকহল্লবা লৈবাক অদুদা চৎপা মহাক্কী খ্বাইদগী নৌবা খোঙচৎতা মেকমাষ্টরনা হায়খি।

অফঘানিস্তান অমসুং অতৈমফমশিংদা পাকিস্তান্না মখোয়গী অনিংবা অপাম্বা ফংনবা হোৎনবদা তৌগদবশিংদি দিপ্লোমেসি শিজিন্নরগনি তৌইগুম্বসুং মীশি-মীনা থোকহনবা প্রোক্সিশিং শিজিন্নরগা নত্তে' হায়না ন্যু য়োর্ক টাইমসনা মহাক্কী ৱারোল পল্লদুনা হায়খি।

মেকমাষ্টরগা ৱারী শানখিবা অফঘান ওফিসরশিংদুনা পাকিস্তানদগী থোক্লকপা টেররিষ্ট গ্রুপশিংনা কিহল্লকপগী ফীভম অমা লৈরিবদু মখোয়সু খঙই হায়খি।

'অফঘানিস্তানদা মীওই কয়ানা য়ুনাইটেদ ষ্টেটস অমসুং পাকিস্তানগী মরীগী মওংদা ঙক্করি; মরু ওইনা মীপুম খুদিংমক্না পাকিস্তান্না টালিবান অমসুং অতৈ টেররিষ্ট গ্রুপশিং শৌগৎপগী মতাংদা খঙনরিবদু য়েংলুরগা অসুম্না ঙক্করিবনি হায়না অফঘান ইন্সটিট্যুট ফোর ষ্ট্রেটেজিক ষ্টদিজগী দিরেক্টর দাভূদ মোরাদিননা হায়খি।

# টর্কিগী রেফরেন্দমদা ইর্দোগননা মায় পাকখ্রে



অঙ্কারা, এপ্রিল ১৭ : টর্কিগী প্রসিদেন্ট য়েসেপ টায়িপ ইর্দোগননা মহাক্কী ইগজিক্যুটিভ ওথোরিটি শিংথানিঙাই ওইনা হেনগৎহনগদবা অনৌবা কন্সটিট্যুসন অমা শেম্নবগী মরু ওইবা রেফরেন্দম অমদা মায় পাকখ্রে।

য়াম্না মরু ওইরিবা রেফরেন্দম অদুনা টর্কিস পোলিটিক্সকী তুংগী লম্বী অমা য়াৎখ্রে হায়রি। মরম অদুনা প্রসিদেন্টতা অহেনবা পৱার শিন্নবগী ৱাফম শৌগৎপা 'য়েস' ভোটনা করি ফোঙদোক্লিবনো অমসুং ইর্দোগননা মায় পাকপনা খুদক্তা করি করি লাকপা য়াবগে হায়বসি য়েংবা য়াই। ষ্টেটনা রন তৌবা অনাদোলু ন্যুজ এজেন্সিগী মতুং ইন্না রেফরেন্দম অদুদা টর্ক ভোটর চাদা ৫১.৩ না প্রসিদেন্টতা পৱার হেন্না শিন্নবগী ৱাফম শৌগৎতুনা ভোট পীখি অমসুং চাদা ৪৮.৭ না মদুগী মায়োক্তা ভোট পীখি।

কুমজা ২০১০ দা রুলিং অদালেট ভে কালকিন্নিনা পার্টি - সি (এ জে পি) না ইলেক্টোরেল প্রোসেস গভর্ণ তৌগদবা লো অমা শেমখি। অদুম ওইনমক, লেজিসলেসন অদুদা প্রোভিজন কয়া ময়েক শেংনা পন্দুনা য়াওরবসু হায় ইলেক্টোরেল বোর্দনা এপ্রিল ১৬ কী রেফরেন্দমগী ওইনা সিল তৌদবা বেলোট মিলিয়ন ১.৫ রোম মশিং থিবা য়াহনখি। লোইশিল্লকপদা ইর্দোগননা ভোট চাদা ৫১ ফংদুনা লীদ তৌখি।

প্রসিদেন্ট ইর্দোগন অমসুং মহাক্কী রুলিং জষ্টিস এন্দ দিভলপমেন্ট পার্টি (এ কে পার্টি) না টর্কিদা ইগজিক্যুটিভ প্রসিদেন্সি লৈহনবনা লৈবাক অসিদা হেন্না মরা চেৎপা পোলিটিকেল ইনভাইরনমেন্ট অমা লৈহনগনি হায়না থাজখি অমসুং মসিমক মখোয়না রেফরেন্দম পাঙথোক্ল বগী য়ুন্থফম ওইহনখি।

ইর্দোগননা হৌজিক্তি মহাক্কী পৱারশিং চাউথোক্তুনা ইগজিক্যুটিভ প্রসিদেন্সি অমা পায়রগনি হায়বদি মহাক্না হেদ ওফ ষ্টেট অমসুং হেদ ওফ গভর্ণমেন্ট ওইরগনি।

# সাউথ কোরিয়াগী হান্নগী প্রসিদেন্ট পার্ক হৌনবী মতুং ইন্না মরাল শীখ্রে, ট্রাইঅল মায়োক্নরগনি

সিওল, এপ্রিল ১৭ :
সাউথ কোরিয়াগী প্রোসি-ক্যুটরশিংনা নিংথৌকাবা নুমিৎতা হান্নগী প্রসিদেন্ট পার্ক গ্যুন-হয়েবু অচৌবা করপসনগী চার্জশিংগা মরী লৈননা হৌনবী মতুং ইন্না মরাল শীখ্রে। খোঙথাং অসিগা লোয়ননা মহাক পুন্সি চূপ্পা জেলদা লৈবা য়াই হায়রি।

হান্নগী প্রসিদেন্ট অসিগী ঈকায়নিঙাই ওইবা পরিং নাইনা লাকখিবা থৌদোকশিংগী মনুংদা মসিনা খ্বাইদগী নৌবনি। মহাক মীয়াম্না পাক শন্না অমসুং পিছফুল ওইনা প্রোটেষ্ট তৌদুনা ওফিসতগী তান্থোকখিবনি।

পার্ক গ্যুন-হয়ে মমাঙ চহীগী অথেংবদা ইম্পিচ তৌখি, হৌখিবা মার্চতা ওফিসল ওইনা মঙোন্দগী পৱার লৌথোকখি। মহাক হৌখিবা থাদা মহাক্না নকশিন্নবা মীওই অমগা মান্নদুনা বিজনেস কয়াদগী নমদুনা শেল লৌনবা হোৎনরম্বা নৎত্রগা লৌরম্বা অমসুং অতৈ অরান-অহুই কয়া তৌরম্বগী মরালদা ফারবা মতুংদা কেপিটেল সিওলগী মনাক্তা লৈবা দিটেন্সন ফেসিলিটি অমদা থল্লকখিবনি।

সিওলগী প্রোসিক্যুটরশিংনা হৌনবী মতুং ইন্না মরাল শীখিবা চার্জশিংদুদা পৱার লান্না শিজিন্নবা, নম হাদুনা শেল লৌবা, ৱানোমশেল লৌবা অমসুং ষ্টেটকী অরোনবা কয়া লিক ওইহনবা য়াওরি।

পার্ক জেলদা মখা তানা লৈখিগনি অমসুং লাক্লিবা চয়োল খরগী মনুংদা হৌগদৌরিবা ট্রাইঅল অমগীদমক্তা মহাক দিটেন্সন সেন্টরদুদগী সিওলগী কোর্ট অমদা ঙাক শেন্দুনা পুগনি। মহাক্কী ট্রাইঅল অদু থা তরুক ফাওবা চঙলবা য়াই হায়রি।

ট্রাইঅল অদু মহাক্কী মহুৎ শিনবা মীশক লেপ্পনবা লাক্লিবা মে ৯ দা পাঙথোক্কদৌরিবা মীখলগী মমাঙদা হৌগদৌরিব্রা হায়বদু শেংনা খঙদ্রি।

# ইন্দিয়া-পাকিস্তানগী মরী খুদক্কী ওইনা ফগৎলকপা য়াবগী ফীভম উদে : পাক দেলি

ইস্লামাবাদ, এপ্রিল ১৭ :
ইন্দিয়া-পাকিস্তানগী মরী খুদক্কী ওইনা ফগৎলকপা য়াবগী ফীভম লৈতে হায়না পাকিস্তানি পাউচে অমনা নিংথৌকাবা নুমিৎতা ফোঙদোকখ্রে।

পাকিস্তানি মিলিটরি কোর্ট অমনা ইন্দিয়াগী স্পাই অমা শিবগী চৈরাক পীবদা ন্যু দিল্লিনা উৎখিবা রিয়েক্সনগী মতাংদা কম্মেন্ট পীরদুনা ন্যুজ ইন্টরনেসনলনা মসিগী ইদিটোরিয়ল অমদা হায়খি, 'মরী ফগৎহন্নিংবগী অপাম্বা ফোঙদোক্লবদি উরে তৌইগুম্বসুং নাকল অনীগী মরী খুদক্কী ওইনা ফগৎলকপা য়াবগী ফীভমদি উদে।

'নরেন্দ্র মোদিনা ন্যু দিল্লিদা পৱার পায়রকখিবদগী পিছ প্রোসেস চথনবগী মমি অপুম্বা মাঙহনখ্রে।

পাউচে অসিনা হায়খি মদুদি, মোদিনা পাকিস্তানবু মালেমদগী তোঙান্না তাহনগনি হায়না ৱার্নিং তৌখি, হৌজিক মহাক্না মসিমক পাঙথোকপা পামই। তশেংবদি হৌজিক ঐখোয় পিছকী পার্টনর অমা লৈতে, মতম খরগী মনুংদসু উরোইদৌরি। ৱাখল হেন্না তানবনা অফবা পুরকপা ওইসনু।'

করিগুম্বা ইন্দিয়ন স্পাইনি হায়রিবা কুলভুসন যাদবপু হেং তৌবা তারবদি মদু মাঙজৌননা হাংননবা শিল্লকখিবা অমনি হায়না লৌগনি হায়না ন্যু দিল্লিনা ৱার্নিং তৌখ্রবনি।

স্পায়িং তৌরম্বা অমসুং পাকিস্তানগী মায়োক্তা লাল চথরম্বগী মরালশিংদা যাদভতা শিবগী চৈরাক পীখিবনি। ইস্লামাবাদনা মহাক বেলোচিষ্টান্দা ফাখিবনি হায়রি। অমরোমদা, ইনি দয়ানদি মহাক ইরানদগী কিদনেপ তৌখিবনি হায়রি।

কুলভুসন যাদভকী কেসকী মতাংদা মখোয়না লৌরিবা ফীরেপ্তু অচুম্বনি হায়বা য়ানবা পাকিস্তান্না মীওই অসিগী মরমদা য়ু এনদা সবমিট তৌনবা অনৌবা চে-চাং কয়া শেম-শানবা হোৎনরিবনি।

# চাইনানা স্পেস লেবকা শম্নগদবা অহানবা কার্গো স্পেসক্রাফট থাগৎলগনি



বৈজিং, এপ্রিল ১৭ :
চাইনাগী অহানবা কার্গো স্পেসক্রাফট টিয়ানঝৌ-১ এপ্রিল ২০ অমসুং ২৪ দা স্পেসতা থাজিনবগা লোয়ননা ওর্বিটতা লৈদুনা পাইরিবা এক্সপ্রিমেন্টেল স্পেস ষ্টেসনগা শম্নরগনি হায়রি।

কার্গো স্পেসক্রাফট অদু লোং মার্চ-১ ৱাই ২ কেরিয়র রোকেট অমগা লোয়ননা টেষ্টিং সেন্টরদগী সাউদর্ন চাইনাগী হাইনান প্রোভিন্সকী মনুং চনবা ৱেনচাংদা লৈবা লোঞ্চ জোনদা ট্রান্সফর তৌখি হায়না ঙসি চাইনাগী মী চেন্নবা স্পেস প্রোগ্রামগী ওফিসনা থোকপা ৱারোল অমনা হায়খি।

'ট্রান্সফর মপুং ফানা লোইশিনবগী ফীভমনা টিয়ানঝৌ-১ মিসন অদু লোঞ্চ তৌনবগী তাঙ্কক য়ৌরে' হায়বগী ঈঙ্গিৎ পী' হায়না ষ্টেটনা রন তৌবা সিনহুৱানা ৱারোল দু পল্লদুনা হায়খি। চাইনানা হৌজিক রসিয়াগী ইন্টরনেসনল স্পেস ষ্টেসন (আই এস এস) কী লম্বা ওইগদবা পার্মিনেন্ট ষ্টেসন অমা ২০২২ ফাওবগী মনুংদা শেমগৎ-শাগৎনবগী প্রোসেস অমা পায়খৎলি।

টেক্নিস্যানশিংনা হৌখিবা ফেব্রুৱারীদগী স্পেসক্রাফট অমসুং রোকেটতু পানখৎলিঙৈ মনুংদা চাংয়েং কয়া পাঙথোকখ্রে। লোঞ্চ তৌদ্রিঙৈগী মমাঙ মতুং নুমিৎশিংদা টেক্নিস্যানশিংনা স্পেসক্রাফট, রোকেট অমসুং ইনজেক্ট ফ্যুঅল মখা তানা চাংয়েং তৌগনি হায়রি।

টিয়ানঝৌ-১ অসি চাইনানা কনামত্তগী মতেং লৌদনা দিভলপ তৌবা অহানবা কার্গো সিপনি। স্পেসক্রাফট অসিনা ওর্বিটিং টিয়ানগোং-২ স্পেস লেবকা শম্নদুনা ওর্বিটতা লৈরিঙৈদা রিফ্যুএলিং পাঙথোক্কনি হায়না সিনহুৱানা হায়রি।



HL-B/3784/26/03-26/04

## EMPLOYMENT NEWS

**SSC Recruitment – Staff Selection Commission – Junior Hindi Translator, Junior Translator, Senior Hindi Translator & Hindi Pradhyapak Vacancies – Last Date 05 May 2017**

**SSC Recruitment 2017**

Staff Selection Commission (SSC) invites applications for the post of Junior Hindi Translator, Junior Translator, Senior Hindi Translator & Hindi Pradhyapak Examination, 2017. Apply Online before 05 May 2017. Qualification/eligibility conditions, how to apply & other rules are given below…

**Advt No. : .3/3/2017-P&P-I**

**SSC Job Details :**
Post Name : Junior Hindi Translator
No of Vacancy : Not Specified
Pay Scale : Rs. 35400- 112400/-

Post Name : Junior Translator
No of Vacancy : Not Specified
Pay Scale : Rs. 35400- 112400/-

Post Name : Senior Hindi Translator
No of Vacancy : Not Specified
Pay Scale : Rs. 44900- 142400/-

Post Name : Hindi Pradhyapak
No of Vacancy : Not Specified
Pay Scale : Rs. 47600- 151100/-

**Eligibility Criteria for SSC Recruitment :**
Educational Qualification :
For Junior Hindi Translator & Junior Translator : Master's degree of a recognized University in Hindi with English as a compulsory or elective subject or as the medium of examination at the degree level OR Master's degree of a recognized University in English with Hindi as a compulsory or elective subject or as the medium of examination at the degree level OR Master's degree of a recognized University in any subject other than Hindi or English, with Hindi medium and English as a compulsory or elective subject or as the medium of a examination at the degree level OR Master's degree of a recognized University in any subject other than Hindi or English, with English medium and Hindi as a compulsory or elective subject or as the medium of examination at the degree level OR Master's Degree of a recognized University in any subject other than Hindi or English, with Hindi and English as compulsory or elective subjects or either of the two as a medium of examination and the other as a compulsory or elective subject at degree level and Recognized Diploma or Certificate course in translation from Hindi to English & vice versa or two years' experience of translation work from Hindi to English and vice versa in Central or State Government Office, including Government of India Undertaking.
For Senior Hindi Translator : Master's degree of a recognized University in Hindi with English as a compulsory or elective subject or as the medium of examination at the degree level OR Master's degree of a recognized University in English with Hindi as a compulsory or elective subject or as the medium of examination at the degree level OR Master's degree of a recognized University in any subject other than Hindi or English, with Hindi medium and English as a compulsory or elective subject or as the medium of a examination at the degree level OR Master's degree of a recognized University in any subject other than Hindi or English, with English medium and Hindi as a compulsory or elective subject or as the medium of examination at the degree level OR Master's Degree of a recognized University in any subject other than Hindi or English, with Hindi and English as compulsory or elective subjects or either of the two as a medium of examination and the other as a compulsory or elective subject at degree level and Recognized Diploma or Certificate course in translation from Hindi to English & vice versa or three years' experience of translation work from Hindi to English and vice versa in Central or State Government Office, including Government of India Undertaking.
For Hindi Pradhyapak : Bachelor's degree in Hindi with English as one of the subject at degree level either as compulsory or optional from a recognized University or Institute plus Master's degree in any subject from a recognized University or Institute plus Bachelor of Education from a recognized University/Institute OR Bachelor's degree in any subject from a recognized University or Institute plus Master's degree in Hindi with English as one of the subjects at degree level either as compulsory or optional from a recognized University or Institute plus Bachelor of Education from a recognized University/Institute.

Nationality : Indian
Age Limit : Maximum age limit is 30 years as on 01.01.2017
Age of Relaxation : SC & ST Category 5 years, OBC-NCL Category 3 years & PH Category 10 years

**Job Location : All India**

**Selection Process :** Selection based on Computer Based Written Examination & Descriptive Test.

**Application Fee :** Candidates have to pay Rs. 100/- through net-banking/credit cards or debit cards or cash through SBI bank challan. Women candidates and candidates belonging to Scheduled Caste, Scheduled Tribe and Ex-Servicemen eligible for reservation are exempted from paying fee.

**How to Apply SSC Vacancy :** Interested candidates may apply Online through SSC website http://ssconline.nic.in OR http://ssc.nic.in from 15.04.2017 to 05.05.2017 till 5.00 PM thereafter website link will be disabled.

**Important Dates to Remember :**
Starting Date For Submission Of Online Application : 15.04.2017
Last Date For Submission of Online Application : 05.05.2017
Last Date for Submission of Application Fee by Challan : 08.05.2017

**Important Links :**
Detail Advertisement Link : http://ssc.nic.in/SSC_WEBSITE_LATEST/notice/notice_pdf/JHT_Examination_2017_15.04.2017.pdf
**Apply Online :** http://ssconline.nic.in/